### ককচীং দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো ফুটবোল লোইশিনখ্রে

## সনাতোম্বী হায় স্কুল অমদি ৱাবগাই স্কুলনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবাল অমদি ককচীংনা শীন্দুনা চথরকপা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা চহী ১৭ মখাগী অদুগা সনাতোম্বী হায় স্কুলনা চহী ১৪ মখাগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

কৈরেক অৱাং লৈকাই কাংজৈবুংদা চহী ১৭ মখাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই অভিনাশনা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ককচীং পব্লিক স্কুলবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ৱাই অভিনাশনা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা ৱাবগাই স্কুলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা এম নুংশিথোইবনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ৱাবগাইগী ২ শুবা গোল চনশিন্দুনা ককচীং পব্লিক স্কুলবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ৱাবগাই স্কুলগী নুপামচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা অভিনাশকী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা এন বেদান্তনা ককচীং পব্লিক স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মায় পাকখিবা ৱাবগাই স্কুলগী ঐচ বিদ্যানমতাবু রেফরি সী ঐচ সেমসননা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

মেটচ অসিদা তেলেনচুং রাজেশ কোম অমদি ঐচ অজোয়না এসিষ্টেন্ট রেফরি, টি ঐচ বিরকুমারনা ফোর্থ ওফিসল অদুগা টি ঐচ দিনেশ্বরনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপকী ফাইনেল মেটচতা সনাতোম্বী হায় স্কুলনা মার্টিন গ্রমার ইংলিশ স্কুলবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মার্টিন গ্রমার স্কুলগী ৱাই বিক্কিনা আউন গোল অমা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা সনাতোম্বী স্কুলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা য়ু বিকাশনা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা সনাতোম্বী স্কুলগী অনীশুবা অমদি পাইখোম্বনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১গা হাপচিন্দুনা সনাতোম্বী স্কুলনা মার্টিন ইংলিশ স্কুলবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ১৭কী কাঙলূপ্তা টিম অহুম- ককচীং পব্লিক স্কুল, ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি পি আর ইংলিশ স্কুলনা শরুক য়াখি। অদুগা চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা টিম মরি- মার্টিন গ্রমার ইংলিশ স্কুল ককচীং, ককচীং পব্লিক স্কুল, সনাতোম্বী হায় স্কুল কৈরেক অমদি পি আর ইংলিশ স্কুল ককচীংনা শরুক য়াখিবনি।

## কে ঐচ লোয়ালাকপা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোক্কীগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ মেম্বরশিংগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুং খোইরোম লোয়ালাকপবু টর্ম ২০২২-২৬ ফাওবগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

মীখল অদুনা সেরাম নেকেন অমদি চনম্বম সকুন্তলা অনীবু ভাইস প্রসিদেন্ট নুপা অমদি নুপী ওইনা খনখ্রে। অদুগা এল বসন্তনা জেনরেল সেক্রেটরি অদুগা নিংঙোম্বম রঞ্জিৎ মৈতৈনা ট্রেজরর ওইনা খনখি।

এন সঞ্জয় অমদি চিংঙাংবম মেমচানা জোইন্ট সেক্রেটরি নুপা অমদি নুপী ওইনা খনখি অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা পাঙম্বম বনধন, সেরাম সুর্জিৎ মৈতৈ, ঙাইরাংবম থাবা লৈমা অমদি এস রিনাবু রিটর্নিং ওফিসর, লাইশ্রম শশিভুষননা খনখি।

## মোরাম্বা অমদি নিওনা ৱর্ল্ড মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুইএ থাই এসোসিএসননা শীন্দুনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেট (য়ু এ ঈ)গী অবুদাবিদা থা অসিগী ২৬তগী জুন ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ষ্টেটকী শান্নরোয় সগোলশেম মোরাম্বা অমদি থোঙাম নিও মৈতৈনা শরুক য়ারগনি।

সগোলশেম মোরাম্বা সোইবম লৈকাইদা লৈবা এস দিনাচন্দ্রগী মচানুপানি। অদুগা থোঙাম নিও মৈতৈশীংজমৈদা লৈবা টি ঐচ জয়নন্দ মৈতৈগী মচানুপানি।

মোরাম্বা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা নেসনল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপকী কেজি ৬৭কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবা শান্নরোয়নি অদুগা থোঙাম নিওসু চহী অসিমক্তদা পাঙথোকপা নেসনল চেম্পিয়নশিপকী কেজি ৭১গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়নি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসননা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুইএ থাই এসোসিএসননা কন্না হোৎনবদগী হন্দক্তা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ওলিম্পিক ইভেন্ট ওইনা শকখঙলবসু ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্না মুইএ থাই মশান্না অসি রিকগ্নাইজ তৌদ্রিবা ওইবনা এসোসিএসন অসিগী ফন্দ অমত্তা লৈতবনা মরম ওইরগা প্লেয়রশিংনা মরন্নাই শেল পুথোক্তুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসি য়াওবা চৎকদৌরিবনি হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা প্রেক্টিস তৌবগী মতম অদুদগী কায়থোক্লগা লমদম অসিগী মীওই খরদা শেলগী মতেং পাংবীনবা হায়জরুবদা শান্নববু য়োকখৎপা পাম্বা পূকচেল চাওরবা মীওইশিংনা শেলগী তেংবাঙ পীবীরকপা অসিবু ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসননা থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

ষ্টেট অসি স্পোর্টসকী পাৱর হাউস অমনি হায়রবনিনা মুইএ থাই মশান্না অসিবু লৈঙাক পায়রিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টর অনীনসু শান্নরোয়শিংগী য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা রিকগ্নাইজ তৌবীনবা ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

### সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল

## সী ভি এফ এ চজিংনা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোকপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চথুরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা চজিং ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (সী ভি এফ এ)না ওল য়াইরিপোক ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (এ ৱাই ভি এফ এ)বু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ৱাই জ্যোটিননা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা অদুগা এল সাওলিন অমদি এস বিনোদকুমারনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৭ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

য়াইরিপোক টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ও প্রিতমনা শান্নবা লোইরমদাই ৫৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী ইম্ফাল অমদি এস ভি এ খোংজোম কৈরেক গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরি এল রাজানা শান্নরোয় অহুম এফ সী ইম্ফালগী কে ইবোমচা অমদি লমখোলেন শান্নবগী ৫২ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা অদুগা খোংজোম কৈরক্কী এল নিলনজয় মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মেটচ অসি এস ওনিল অমদি ঐচ মহেশনা এসিষ্টেন্ট রেফরি অদুগা এম ইনাওনা ফোর্থ ওফিসল অমদি এস জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

### টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

## ৱাঙ্গোই এফ সী অমদি সনা এফ সী দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথুরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা সনা এফ সী থৌবাল অমদি ৱাঙ্গোই এফ সী ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল ওন্থোকপা ঙম্মদনা লাকখিবা অদু অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা থোইবনা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়নননা সনা এফ সীনা ৱাঙ্গোই এফ সীবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ৱাঙ্গোইগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখিবা অদু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অঙৌসনানা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি রোজিৎনা সনা এফ সীগী শান্নরোয় অনী বোরিশ অমদি শাহবাজ শান্নবগী ৪৬ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মার্দ ক্লব মোইরাংনা মাইন-বি চিংঙারেলবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মোইরাং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস সেমসননা শান্নবগী ২৮ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা কে রোনাল্ডোনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি। চিংঙারেলগী গোল ২ অদুনা গিভসন অমদি পি ঐচ রোক্কিনা শান্নবগী ৩৬ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা গ্রুপ সীগী মেটচ অনী শান্নরগনি।

## OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF THE MANAGING COMMITTEE MEMBERS & OFFICE BEARERS OF THE IMPHAL EAST DISTRICT FOOTBALL ASSOCIATION, IMPHAL, LAMPHEL (Cooperative Complex)

### ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 25th May, 2022

No. 1/RO/ELECTION-IEDFA/2022: In compliance of the order/ judgment of the Hon'ble High Court of Manipur vide W.P.(C) No. 398 of 2021 and subsequent order of the Registrar of Societies, Manipur, vide order No. 115Q-Coop/case/W.P.(C). No. 398 of 2021 dated, 13th May 2022, Election of the Managing Committee members and Office Bearers of the **"Imphal East District Football Association"** will be conducted as per schedule given below.

| Sl.No. | Date | Particulars | | Remarks |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 to 9 June 2022 | Issue of Nomination Paper | | 11 A.M. to 3:00 P.M. |
| 2 | 10-06-2022 | Last date of submission of Nomination Paper under sealed cover. | | -Up to 3:00 P.M. |
| 3 | 14-06-2022 | Scrutiny of Nomination Paper (s) at the conference hall of R.C.S office | | 1 P.M. to 4 P.M. |
| 4 | 15-06-2022 | Publication of valid Nomination papers | | 3 P.M. |
| 5 | 16-06-2022 | Withdrawal of Nomination Paper | | 1 P.M. to 3 P.M. |
| 6 | 16-06-2022 | Publication of Final List of candiates | | 3 P.M. |
| 7 | 17-06-2022 | | Venue | |
| | | Election of Managing Committee | R.C.S Conference Hall | 11 A.M. to 1 P.M. |
| | | Election of Office Bearers | R.C.S Conference Hall | 2 P.M to 3 P.M. |

P.S : An Election office is open at the Office of the Deputy Registrar of Societies, Imphal West. All the election process will be done at the office of the Returning Officer except for scrutiny and election. All concern are requested to contact the R.O. for details information, however the office of the R.O. will be opened from 10:00 am to 3:00 pm on all working days till the completion of election process. Counting will be start after the end of election.

N.B : It is hereby informed to all the members of the IEDFA that the verification for scrutiny and the voting for the Managing Committee Members and Office Bearers will be based on the voter list as supplied by the Deputy Registrar of Societies, Imphal East and any Government issued Identity Card shall identify themselves. Also the Proposer and Seconder should be from the Voter's list as produced by the Deputy Registrar of Societes, Imphal East.

Sd/- **I. Rajen**
Returning Officer,
To the Election of
Managing Committee Members
and Office Bearers Imphal East District
Football Association

HL-P/2808/26

### নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ

## মণিপুরনা গোল্ড ৩ য়াওনা মেদল ১৪ ফংবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): অন্ধ্র প্রদেশকী রাজামুন্দ্রিদা থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথরকখিবা ৪শুবা এন টি পি সী কিদ (অন্দর-৯) নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা মণিপুরগী কিদ আর্চরশিংনা গোল্ড ৩, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৪ ফংবা ঙমখ্রে।

লাংপোকলাকপম বিকাশ, কোন্থৌজম হেনসন, মোইরাংথেম বিকাশ অমদি সগোলশেম মনিতোম্বনা শাবা টিমনা ইন্দিয়ন রাউন্দ টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা লময়ানবা সোইবম, হিদংময়ুম বিনিসন, জেক্টর পোৎশংবম মৈতৈ অমদি পাওনম জোন্সননা শাবা টিমনা রিকর্ব টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

কোন্থৌজম হেনসননা ইন্দিয়ন রাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক রাউন্দদা গোল্ড মেদল ১ ফংবা ঙমখি।

লাংপোকলাকপম বিকাশনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ১০+১০ মিটর ইভেন্ট অদুগা চোংথাম চিতননা কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক রাউন্দ অমদি জেক্টর পোৎশংবমনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক রাউন্দদা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি। অদুগা বিকাশ অমদি মোইরাংথেম লনচেনবীগী প্যেরনা ইন্দিয়ন রাউন্দ মিক্স টিম ইভেন্টতা অমদি লানঙম্বা মুতুম, চোংথাম চিতন, জুভেন্টস খাইদেম অমদি অলফ্রেদ তেন্সুবমগী টিমনা কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ষ্টেটকী আর্চরশিং অদুদি লানঙম্বা মুতুমনা কম্পাউন্দ ১০+১৫ মিটর অমদি কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক রাউন্দদা ব্রোঞ্জ মেদল ২ অদুগা লাংপোকলাকপম বিকাশনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক, মোইরাংথেম লনচেনবীনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ১০+১০ মিটর অমদি তোঙ্গম কেলভিনানা ইন্দিয়ন রাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএলদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

মোইরাংথেম লনচেনবী, তোঙ্গম কেলভিনা, মাইবম লনচেনবী চনু অমদি তখেল্লম্বম চঙখোনবীগী টিমনা ইন্দিয়ন রাউন্দ টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখিবনি।

## দি এফ এ থৌবালনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিং অমদি এসোসিএসনশিংনা মখোয়গী চহীগী ওইবা রিন্যুএল অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর জুন ১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল কুল্লধজদা পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## জয়সিং মোন্সাং পূক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): টি ঐচ জয়সিং মোন্সাংনা স্পোর্টসকী ফিল্ডদা মহাক্কী দেদিকেসন অমদি কম্মিটমেন্টবু শকখঙবীবগা লোয়নননা হন্দক্তা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা নেসনল রেফরি পীরকপা অসিবু নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা চান্দেলগী জাফৌ বজারদা লৈবা লিমখু ইনদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা ইনকম টেক্স ইম্ফাল রেঞ্জকী এদিসনেল কম্মিস্নর এন জি জোসেফ গাংটেনা অচম্বা খূদোল অমদি মমেন্টো খূৎশিন্নদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না চান্দেল মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অনাল নাগা বেপ্টিষ্ট এসোসিএসন (এ এন বি এ)গী এগজিক্যুটিভ অমদি ষ্টাফ ৱর্করশিংগা লোয়নননা লাম্লুং য়ুঠ ক্লব অনীগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখ্রে।


মেটচ অসিদা টিম অনীনা ২-২দা দ্রো ওইখি। লাম্লুংগী গোলশিং অদুনা এস টি ৱেলরিংনা চনবা ঙমখি অদুগা এ এন বি এগী গোলশিং অদুনা পি এস পোলরিং অমদি ঐচ টি ৱিলসননা চনখি।

## বিপিন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী একজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরম্বদা নৎতনা বোদি বিল্ডিংগী নেসনল জজসু ওইরম্বা বিপিন নোংমাইথেমনা লৈখিদবদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। অম্বাগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা অমদি ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 464**

**Bent Larsen (2689) - Hansen**

**Tonder, 1956**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 Nf6 |
| 4.O-O Bc5 | 5.d3 d6 | 6.c3 h6 |
| 7.h3 O-O | 8.Nh2 Nh7 | 9.Kh1 f5 |
| 10.exf5 Bxf5 | 11.f4 exf4 | 12.Bxf4 Bd7 |
| 13.d4 Bb6 | 14.Nd2 a6 | 15.Bd3 Ne7 |
| 16.Qf3 d5 | 17.Qg3 Kh8 | 18.Be5 Rg8 |
| 19.Rf7 Ng5 | 20.Raf1 Be6 | 21.Qh4 Nxf7 |
| 22.Rf6 Nf5 | 23.Bxf5 Bxf5 | 24.Rxh6+ Nxh6 |
| 25.Qxh6+ Bh7 | 26.Nhf3 Qe8 | 27. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 463 Ans. :**
16. ...Nd3+ 17. Kd1 Qe1+ 18. Rxe1 Nf2# 0-1

CUET
ꯁꯤ.ꯌꯨ.ꯏ.ꯇꯤ
COMMON UNIVERSITY
Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 23 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (7am - 9.30 am & 2 pm - 3.15 pm)
NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)
SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mega Mock Test (Gen. Eng., G Test, Phy, Chem, Maths, Bio)
3) Supply Study Materials
4) CUET-CBT Practice Session
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846
HL-B/7662/25-29

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER
2nd POSITION HOLDER SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May,30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
PHYSICS,CHEMISTRY,BIOLOGY
M.sc. working in CBSE school
HL-B/7641/12/5-9/7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com